## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... – কোলিন পাৱেল –

যু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইনা থৌ পুখিবা মিলিটরি লিদর কোলিন লুঠর পাৱেল কুমজা ১৯৩৭ কী এপ্রিল ৫দা ন্যু য়োর্ককী ব্যুর্লেমদা পোকখি। মহাক্কী অপোকপা অমদি অপোকপী লুঠর অমসুং মাউদ পাৱেল জমাইকাদগী হোংলকখিবনি। নহা ওইরিঙৈ মতমদা মহাক্কী ইমুংদু ন্যু য়োর্ক সিটিগী অতোপ্পা মফম অমা ওইরিবা সাউথ ব্রোনস্কতা হোংখি। মফমদুদা কোলিননা মতম চুপ্পদা মচে মেরিলিনগী মতুং ইন্নখি। অসুম্না মহাক মফমদুদা চাউরকখি। মহাক্কী অহল-লমনশিং শুবা-নোম্বা কনখি। মখোয়না মচাশিংবু লুনা তৌবগা লোয়নননা অঙাংশিংদুগী মহৈ-মশিনদা মীৎয়েং চঙখি। হায় স্কুল তম্লিঙৈদা কোলিন এভরেজ মহৈরোয় অমা ওইনা মহাক্কী ক্লাস অয়াম্বদা সী গ্রেদশিং ফংখি। মতুং তারকপদা পুন্সিগী তাঙ্কক্তা কোলিননা মহাক হায় স্কুলদা খরা শোয়খ্রে অদুবু মঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইখি হায়ন পনখি। মহাক্না নুংথিলগী মতমদা ফর্নিচর ষ্টোর অমদা থবক তৌদুনা ইমুংগীদমক্তা অহেনবা শেল তানখি।


কোলিননা মহাক্কী শিনফম ফংলে হায়না খঞ্জখি। তশেংনমক মহাক লাম্মী অমা ওইবা পামখি।

হায় স্কুলগী থবক লোইরবা মতুংদা কোলিননা সিটি কোলেজ ওফ ন্যুজ য়োর্কতা তমখি। জিওলোজিনা মহাক্কী মরুওইবা সবজেক্ট ওইদুনা আর্থকী কম্পোজিসনগী মরমদা কুপ্না নৈনখি। কোলেজ তম্লিঙৈদা মহাক রিজার্ভ ওফিসর্স ট্রেনিং কোর (আর ও টি সী)দা য়াওখি। মতমদুদা

কুমজা ১৯৫৮দা কোলেজ গ্রেজ্যুএট ওইরবা মতুংদা পাৱেল আর্মিদা সেকেন্দ লেফটনেন্ট ওইনা চঙখি। মহাক্কী অহানবা মথৌদি জোর্জিয়াগী ফোর্ট বেনিংদা বেসিক ট্রেনিং য়াওবা অসিনি। বেসিক ট্রেনিং লোইরবা মতুংদা জর্মনিদা ৪৮শুবা ইনফেন্টরিগী প্লাতুন লিদর ওইনা মহাক্কী অহানবা এসাইনমেন্ট পীখি। মহাক কুমজা ১৯৮২ দা অলমা ভিভিয়ন জোন্সন কৌবী নুপী অমগা লুহোংখি। মখোয়গী মচা ৩ পোকখি।

কুমজা ১৯৬৩ দা পাৱেলবু ভিয়েটনামদা সাউথ ভিয়েটনামিজ আর্মিগী এদভাইজর অমা ওইনা থাখি। মহাক মফমদুদা য়েক্নবনা থাকপা লাংদা নেৎশিল্লুবদগী শোকখি। ময়ুমদা হনবদা মহাক এৱার্দ অমা ফংখি। কুমজা ১৯৬৮ দা মহাক ভিয়েটনামদা অমুক চৎখি। মেজরগী ফম কাবগা লোয়নননা মহাকপু মাই লাই মেসাকরগী মতাংদা থীজিনহনখি। হেলিকোপ্টর কায়বা নংলবসু পাৱেলনা অতৈ লান্মীশিংবু মতেং পাংখি। মদুগী থৌনা অদুগীদমক্তা মঙোন্দা সোলজর্স মেদল পীখি। ভিয়েটনামগী মতুংদা পাৱেলনা জোর্জ ৱাশিংতন য়ুনিভর্সিটিদা তমদুনা এম বি এ ফংখি। কুমজা ১৯৭২ দা মহাক হ্বাইট হাউসতা থবক অমা শিন্নখি। মফম অদুদা মহাক্না মতিক ময়াই লৈরবা মীওই কয়া থেংনখি। মখোয়না মহাক্কী থবক মতৌদু থাগৎখি। প্রমোসন কয়া ফংদুনা তোঙান তোঙানবা পোষ্টিশিংদা থবক তৌখি। প্রসিদেন্ট জোজ দব্লিয়ু বুশনা মহাকপু জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী চ্যেরমেন হাপখি। মহাক্না ওপরেসন দিজর্টষ্টোর্ম য়াওনা গল্ফতা য়ু এসকী ওপরেসনশিং য়েংশিনখি। পাৱেলবু কুমজা ২০০০ দা প্রসিদেন্ট জোজ দব্লিয়ু বুশনা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটকী ফম পায়হনখি।

## মালেমগী অঙকপশিং

## রোকি মাউন্টেন নেসনেল পার্ক

রোকি মাউন্টেন নেসনেল পার্ক অসি য়ু এসকী কলোরাদো ষ্টেটকী নোর্থ-সেন্ট্রেল রিজনদা লৈবা রোকি চীংজাউশিংগী মমাঙথংবা রেঞ্জদা লৈবা নেসনেল পার্ক অমনি। পার্ক অসিদা চিং-লেম্লবা চীংজাউগী শক্তমশিং, চীংগী পাৎশিং, মখল-মখা কয়াগী লম্লক্কী শা-উচেকশিং, মখল-মখা কয়াগী ঈশিং-নুংশিৎ অমসুং মখল-মখা কয়াগী উগী উমংশিংদগীনা উ অমত্তা হৌদবা উন্না পুংকূপ কূপশিনবা চীংগী টুন্দ্রা ফাওবগী ইনভাইরোনমেন্টশিং লৈ। পার্ক অসি বুল্ডর, কলোরাদোগী অৱাং-নোংচুপতা লৈ অমসুং মসিদা কন্টিনেন্টেল দিভাইদ অমসুং কলেরদো তুরেলগী হৌরকফম লৈ।

পার্ক অসিগী ভিজিটর সেন্টর মঙা লৈ। পার্ককী হেদক্বার্টর ওইরিবা বীভর মেদোজ ভিজিটর সেন্টর অসি ফ্রেঙ্ক লোইদ রাইট স্কুল ওফ অর্কিটেকচরনা দিজাইন তৌবা নেসনেল হিষ্টোরিক লেন্দমার্ক অমনি। পার্ক অসি অৱাং অমসুং নোংপোক্তা রুজভেল্ট নেসনেল ফোরেষ্টনা কোইশিল্লি, অৱাং-নোংচুপতনা রৌট নেসনেল ফোরেষ্টনা কোইশিল্লি অমসুং সাউথৱেষ্টতনা অৱাপাহো নেসনেল ফোরেষ্টনা কোইশিল্লি।

পার্ক অসিদা চৎপদা লম্বী অহুম শিজিন্নবা য়াই। মখোয়দুদি য়ু এস হায়ৱে ৩৪, ৩৬ অমসুং ষ্টেট হায়ৱে ৭ নি। হায়ৱে ৭ শিজিন্নদুনা পার্ক অসি চঙবদি মাইল অমা য়ৌদে। লম্বীসিদা চৎলগা ঐখোয়না লিলি লেক ভিজিটর সেন্টর য়ৌবা য়াই। মখা পাংনা অসুম চৎলগনা রুট ৭ তগী কেম্পগাউন্টস য়ৌই, লোংপীক অমসুং ৱাইল্ড বেসিনসু থেংনগনি। হায়ৱে ৩৬ না নোংপোক থংবা নাকলদা পার্ক অদুদা চঙই অমসুং মাইল খরা চৎলগা লম্বীদু হায়ৱে ৩৪ তারগা লোইশিল্লি। পার্কতু ফাওরগা চৎপা ট্রেল রিজ রোদ হায়না খঙনবা হায়ৱে ৩৪ অদু নোংপোক্তা ইষ্টেস পার্ক টাউন্দগীনা খা নোংচুপতা গ্রান্দ পাৎ ফাওবা চেল্লি।

কলোরদোগী নোদর্নফ্রন্ট রেঞ্জদা লৈরিবা রোকি মাউন্টেন নেসনেল পার্ককী পাক চাউবা একর ২৬৫,৭৬১ হায়বদি স্কৱার কিলোমিটর ১,০৭৫,৫০নি। কন্টিনেন্টেল দিভাইদনা মচেৎ তাহল্লিবা পার্ক অসি নোংপোক অমসুং নোংচুপথংবা শরুকশিং অদু তোঙান-তোঙানবা কেরেক্টরশিং চেল্লি। পার্ক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক অদু গ্লেসিয়রনা থল্লবা চীংদোনশিং অমসুং সর্কশিংগা লোয়নননা অতৈ মায়কৈশিংগা চাংদমন্নবদা কন্না লৈ। পার্ক অদুগী নোংচুপ থংবা সাইদ অদুনা চোৎপা হেল্লি অমসুং অয়াম্বা শরুকশিং অশংবা পাম্বীশিং-উ-ৱাশিংগী উমংশিংনা কূপশিল্লগা লৈ।

পার্ক অদুদা লম্বী মাইল কিলোমিটর ৫৭৮, পাৎ ১৫০ অমসুং খোং অমসুং তুরেল কিলোমিটর ৭২০ শাংনা লৈ। পার্ক অদুদা ফুট ১২,০০০ দগী হেন্না ৱাংবা মমিং থোল্লবা চীংদোল ৭২ লৈ। পার্ক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা পোইন্ট অদু ফুট ১৪,২৫৯ ৱাংই; কুমজা ২০০২ গী মমাঙদা লৌখিবা সর্ভেশিংনা চীংদোল অদু সি লেভেলদগী ফুট ১৪,২৫৫ ৱাংই হায়বা উৎখি। পার্ক অদুগী অৱাং থংবা সাইদকী মম্মি রেঞ্জদা অপীকপা ফুট ১৩,০০০ গী চীংদোল কয়াসু য়াওখি। এন্দ্র্যুজ, স্পাগস, টয়ন্দল, টেলরনচিংবা অৱাংবা চীংগী সর্কশিংদা পার্মিনেন্ট স্নোফিল্ডশিং অমসুং অপীকপা গ্লেসিয়র কয়ামরুম লৈ।

রোকি মাউন্টেন নেসনেল পার্কতা মখল-মখা কয়াগী লম্লক্কী শাশিং ফংবগা লোয়নননা মফম অসিগী ক্লাইমেটসু খেন্নবা ফীভম কয়া উবা ফংই। পার্ক অসিদা জুলাই অমসুং ওগষ্টতা খ্বাইদগী হেন্না শাই। কালেনগী মতমদা নুংথিলদা নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়নননা অখাক-অরাও তাবা য়াওই। নিংথমথাগী উন কন্না তাবগী মতমনা ওক্টোবর থাখায়দগী এপ্রিল ফাওবা ওই। পার্ক অদুগী নোংচুপ থংবা শরুক্না নোংপোক থংবা শরুক্তগী নোং চূবা হেল্লি।

পার্ক অদুগী মপুং ওইবা শক্তমদু লোংস চীংদোলনা লাকহৎপা উই। মদু য়ৌবা খ্বাইদগী লাইবা লম্বীদি কিহোল লম্বীনি।

## ব্যুটি : চহী মীয়াই চল্লক্লবি নুপীশিংসু তনৌনা ইনখৎলক্লিবি নুপীমচাশিংগুম্না পুক্লিং হুনা লৈবা য়াই

ঙসিগী মোর্দন সোসাইটি অসিদা সোইটিগী থবক থৌরম, ওফিস অমদি প্রাইভেট সেক্টরগী জে ৱাবশিংদা নোংম-নোংমগী নুপীশিংনা থবক তৌবগী চাং হেনগৎলক্লি। নোংমগী চিল্লবা সেদ্যুল অসিদা কনাগুম্বী মীয়াই চল্লক্লবী নুপী খরদি য়ুম, ওফিস অমদি অঙাংশিং য়েংশিনবনচিংবা থবকশিংনা মরম ওইদুনা মশাগী মতম কাইথোক্তুনা কেবা-নৌবগী মতম ফংনদ্রি। কনাগুম্বী নুপী খরনা মতম খরা ফংজরবসু চহী য়ামশিল্লক্লে খন্দুনা কেরসু ফজররোই খন্দুনা করিগুম্বা কেবা-মৌবগী থবক তৌদনা ৱাখল ৱানা লৈতবসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু চহী ৩৫তগী ৪০ চঙলে চহী য়ামশিল্লক্লে খল্লিবা ৱাখল অদুদগী খজিক লাপথোক্তুনা ইচম-চম্বা য়ুমদা তৌবা য়াবা মতমসু য়াম্না চঙদবা থবক খরা তৌবনা অদোম হান্নগী ইনখৎলক্লিঙৈ মতমগী ফজবা মায়থোং অমদি ফজবা ফিগর অদু অমুক হন্না ফংদুনা পূম্ন মক্কী মীৎয়েংফম য়াম্না লায়না ওইহনবা ঙমগনি।




চহী খরা য়ামশিল্লক্লবদা হকচাংগী ফীভম অমদি মায়থোংগী শক্তম হোংলকপা হায়বসিদি হৌনশানি অদুবু খজিক চেকশিনবিদুনা হকচাং অমদি মায়গী উনশাগী মরমদা চেকশিন্না য়েংশিনবিদুনা তুম্বা-চাবা মেন্টেল খর তৌবিরগদি য়াম্না লায়না অদোমনা চহী য়ামশিল্লক্লে খন্দুনা ৱারিবদু কোক্তুনা নহা ওইনা লৈবা য়াই। চহী হায়বসিদি শুপ্নগী নম্বর অমনি লুরিবদি অদোম-অদোমগী ৱাখল্লোল অদুনি। চহী য়ামশিল্লক্লবি নুপীশিংনা মখাদা পীরিবা টিপশিং অসি ঙাক্লা চৎপিরবদি য়াম্না থুনা অদোমগী পুন্সিদা অহোংবা অমা শোয়দনা লাকপা ঙমগনি।


তুম্লমদাইদা মায়-মীৎ ফজনা তাদুনা তুম্বা ফৈ : চহী য়ামশিল্লকপগী মমি মীওইবা খুদিংগী মায়থোং অমদি মীৎতা হান্না তারকপা হৌরকই। মরম অদুনা মায় অমদি মীৎপু য়াম্না চেকশিন্না থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। অদোম্না তুম্লমদাইদা মীৎতা ফজনবা হায়দুনা মেকঅপ তৌখিবা পোৎশকশিং অদু মেকঅপ রিমুবর শীজিন্নদুনা য়াম্না ফজনা চামথোকপীয়ু। মীৎ অমদি মায়বু পোৎথাবা ফংজনবগীদমক মায়-মীৎ তাথোক্লবা মতুং আই ক্রিম নত্রগা মায়থোঙগী ওইনা নাইট ক্রিম অমা শীজিন্নবা ফৈ।

চহী ৩৫ শুরক্লবা তুং উরিং অমদি ফুরিনচিংবা থুংলকপদা চেকশিনবা ফৈ : নৌরিঙৈ চহী ১৮দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা মায়দা উরিং থুংবা অমদি ফুরিনচিংবা তৌরকপা মতমদা হীদাক শীজিন্নদুনা ফনবা হোৎনবা য়াই। অদুবু চহী ৩৫ শুজিল্লক্লবা মতমদদি উরিং থুংলকপা মতমদা য়াম্না চেকশিনবগী মথৌ তাই। মরমদি চহী মতাং অসিদা মায়গী উনশাদা শীজিন্নরিবা হীদাক অদুগী কান্নবা ফংবা ৱাই। মরম অদুনা চহী অসিগী তাঙ্কককী মতুংইন্না অদোম্না শীজিন্নরিবা প্রদক্ট অদুদা সলফরগী চাং য়াওবা ওইবনা ফৈ। লোয়নননা উনশাবু মোইচরাইজর তৌহনবগী চাং ৱাংবা প্রদক্টশিং শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। বিটামিন সী জেল য়াওবা প্রদক্ট শীজিন্নবগী মহুৎতা বিটামিন সী সীরম ওইনা শীজিন্নবা কান্নগনি।


হকচাং লুম্বগী চাং তোয়না চেকঅপ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ : চহী নৌরিঙৈ মতমদা অদোম হকচাংগী অরুম্বা-লুমদবগী থোইদোক্লা ৱাখল খল্লমদবা য়াই। অদুবু চহী ৩৫মুক শুজিল্লক্লবদি অদোমগী হকচাং লুম্বগী ফীভম অমদি হেনগৎলক্লিবা ফেটকী শরুকশিংগীদমক চেকশিন্না য়েংশিনদুনা নোয়খৎতনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। চহী অসিগী তাঙ্কক য়ৌরকপদা হকচাংগী এষ্ট্রোজ লেবেলগী চাং হন্থরকই মরম অদুনা ফেটকী চাং হেনগৎলকপনা হকচাংগী অরুম-অয়াংদা খেৎনবা লাক্তুনা অহোংবা কয়া লাকই। লোয়নননা হকচাংগী উনশাশিং কোমথরক্তুনা উনশা খুইজিনবা হৌরকই। মরম অদুনা চহী মতাং অসিদা হকচাংবু য়াম্না চেকশিন্না থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। হকচাং লুম্বগী চাং কিলো অমা-অনী লুম্বা-য়াংবদা করিসু অকায়বা লৈতে অদুবু য়ারিবমখৈ হকচাং লুমহন্দনবা হোৎনবা ফৈ। অদোমগী চিল্লবা মতমদগী অশংবা মতমদা হকচাং শাজেল তৌনবগী মতম খজিক খাইদোক্তুনা হকচাং শাজেল তৌবা মথৌ তাই।




Title: My World Earth
By: Ningthoujam Athouba
Class: III (Three) Sec: A Roll No. 45
School: Kids' Foundation





Title: Save Environment, Save Life (Best to Environment Day)
By: A. Believe Meitei
Class: V Sec: Roll No. 08
School: ST. Peter High School



Title: Flower
By: Enunganba Maibam
Class:PSK-II (Per Nursery) Sec: A Roll No. 21
School: Blooming Kids Academy Mayang Imphal


Title: Skirt
By: Nongmaithem Gitanjali Devi
Class: IV Sec: Roll No. 1
School: Royal Education Centre Nachou Potshangbam



Title: Village Girl
By: Hilenbi Langpoklakpam
Class: I Sec: A Roll No. 30
School: Regular English High School


Title: Scenery
By: James
Class: II Sec: A Roll No. 28
School:


Title: Parrots
By: Leishilembi Kh.
Class: I (One) Sec: Roll No. 2 (Two)
School: Khurkhul Model Standard High School


Title: Mango
By: Ningthoujam Nganba Singh
Class: I Sec: A Roll No. 7
School:


Title: India Flag
By: Olympia Maibam
Class: PREP-I Sec: A Roll No. 06
School: Blooming Kids Academy Mayang Imphal


Title: Water Fall
By: Prince Nganba Gonmei
Class: III Sec: B Roll No. 36
School: Kids' Foundation


Title: Tree with Playing Kids
By: L. Prithibiraj Singh
Class: II Sec. Diamond Roll No. 10
School:


Title: Doraemon
By: Tokpam Loyaton
Class: II Sec: C Roll No. 49
School: Kids' Foundation